অহানবা পেত্রিওটস মেমোরিএল সভেন এ সাইদ অন্দর-১৭ ত্রোফি

# নোং এফ সীনা দি ৱাই দল্লিয়ু এ এসপু পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): এফ পি এম সী খোংজোমনা শীন্দুনা ঈ য়ু আর ঈ এ গ্রাউন্দদা চথরকখিবা অহানবা পেত্রিওটস মেমোরিএল সভেন এ সাইদ অন্দর-১৭ ত্রোফি ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা নোং এফ সীনা দি ৱাই দল্লিয়ু এ এসবু পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরকখিবা অহানবা পেত্রিওটস মেমোরিএল সভেন এ সাইদ অন্দর-১৭ ত্রোফি ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা নোং এফ সী অমসুং দি ৱাই দল্লিয়ু এ এস লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবগা টিম অনীনা চেম্পিয়ন ওইনবা অকনবা মওংদা শান্নরকখি।

ফাইনেল মেচ অসিগী অহানবা হাফকী ৬শুবা মিনটতা নোং এফ সীগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৪ রোহিটনা মহাক্কী টিমগী পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। মখা তানা মেচকী ১১শুবা অমদি ২০শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৭ ভারতনা পাঞ্জল অনী চন্দুনা ৩-০দা অমুক লৈহনখি। মিনট ২ কান্নরগা মেচকী ২২শুবা মিনটতা টিমমেট পারিতোন জর্সি নম্বর ৭না পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ৪-০দা লৈখি।

পাঞ্জল মরি শোথরিবা দি ৱাই দল্লিয়ু এ এসকী মায়কৈদগী শোথরিবা পাঞ্জলশিং অদু ফুকৎনবা অকনবা শাফুগা লোয়ননা হোৎনরকখি। মখোয়গী হোৎনজমন্না মেচকী ২৪শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৫ এম দি অলটাবনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-৪দা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদসু নোং এফ সীগী মায়কৈদগী শান্নরোয় ভারত জর্সি নম্বর ১৭না পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেচ অদু ৫-১দা লৈহনখি। দি ৱাস দল্লিয়ু এ এসকী মায়কৈদগী শোথরিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্লবা এটেকশিং চথরকখি। অদুবু নোং এফ সীগী দিফেন্স লাইন য়াম্না লিংনা লৈখিবনা এটেকশিং অদু কান্নবা ফংখিদে। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা দি ৱাই দল্লিয়ু এ এসনা মখোয়গী শোথরিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি। অদুগা নোং এফ সীনা পাঞ্জল ৫-১দা মায় পাক্তুনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখি।

অহানবা পেত্রিওটস মেমোরিএল সভেন এ সাইদ অন্দর-১৭ ত্রোফি ২০১৯গী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা নোং এফ সীগী টিমদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ১৫ অমদি ত্রোফি খুৎশিন্নখি। রন্নর্স-অপ তাখ্রবা দি ৱাই দল্লিয়ু এ এসনা শেলগী মনা লুপা লিশীং ১০ অমদি ত্রোফি ফংখি। টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট প্লেয়রনা নোং এফ সী শান্নরোয় পারিতোননা তাখি।

# ৱেথলিফটিং ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী মেম্বর ৭কী টিম্বু ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন মীরাবাই চনুনা লুচিংগদৌরি




ন্যুদিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সী)ঃ থাইলেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি পটায়াদা থা অসিগী ১৮দগী ২৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱেথলিফটিং ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী মীওই ৭না শাবা টিম অদুবু মমাংদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবী মণিপুরদগী হৌখিবা সাইখোম মীরাবাই চনুনা লুচিংগদৌরি।

থাইলেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অসিনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস ২০২০গী য়াম্না মরুওইবা ক্বালিফাইং টুর্নামেন্ট অমা ওইগদৌরি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী টিম অসি হৌজিক হৌজিক থাইলেন্দদা অকনবা ট্রেনিং চথদুনা লৈরিবনি। ইন্দিয়াগী টিম অসিদা নুপী ৱেথলিফটর ৪ অমসুং নুপা লিফটর ৩ শরুকয়ারি।

নুপীগী কাংলুপ্তা ৱর্ল্ড ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী লিফটরশিং অদুদি, সাইখোম মীরাবাই (কিলোগ্রাম ৪৯), কম্মনৱেল্থ গোল্ড মেদালিষ্ট ঝিলি দালাবেহরা (কিলোগ্রাম ৪৫), স্নেহা সোরেন (কিলোগ্রাম ৫৫) অমসুং রাখি হলদর (কিলোগ্রাম ৬৪)নি।

অদুগা নুপাগীদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী লিফটর ৩ অদুদি, য়ুথ ওলিম্পিক গোল্ড মেদালিষ্ট মিজোরামদগী হৌখিবা জেরি লালরিননুঙা (কিলোগ্রাম ৬৭), কম্মনৱেল্থ গোল্ড মেদালিষ্ট অজয় সিংহ (কিলোগ্রাম ৮১) অমসুং নেসনল চেম্পিয়ন অশিন্তা সিয়ুলি (কিলোগ্রাম ৭০)নি।

ইন্দিয়াগী নেসনল কোচ ওইরিবা বিজয় শর্মানা পাউগী এজেন্সি অমদা ফোঙদোক্লদুনা হৌজিক থাইলেন্দদা ট্রেনিং চথরিবা লিফটর ৭গী কোর গ্রুপ অসিনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ৱেথ কেটিগোরি ৭তা ক্বালিফাইং ইভেন্ট ৬তা শরুক য়াগদৌরিবনি।

কোর গ্রুপ অসিদা চহী নৌরিবা শান্নরোয় খর হাপচিন্দুনা ইন্দিয়াগী ৱেথলিফটিং টিম অসিগী সেকেন্দ লাইন টিম অমা শেম্নবগী থবকসু লৌখৎলিবনি হায়না কোচ অদুনা মখাতানা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিগী মায়কৈদগী মীরাবাইনা মেদল ফংবা য়াবা লিফটরশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরিবনি। পনবা য়াই, মীরাবাইনা কুমজা ২০১৭তা কিলোগ্রাম ৪৮গী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী গোল্ড লৌবা ঙমখিবনি। থা ৯ হেন্না মখ্বাং শোক্তুনা শান্নরুদ্রবা মতুং হন্দকশরুক য়ারকপদা য়াম্না ফজবা পর্ফেমেন্স উৎপা ঙমদুনা লক্লি।

মহাক্না মশাগী অরুম্বা অদু চৎলিবা থা অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা হান্নগী কিলোগ্রাম ৪৮দগী ৪৯দা হায়গৎতুনা শান্নবা হৌরকপদা ইন্টর্নেসনল গোল্ড মেদল লৌবা ঙমিখি। অদুগা এসিয়ন ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তা মহাক্কী করিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা ওইনা কিলোগ্রাম ১৯৯ (ক্লিন এন্দ জর্কতা ১১৩ অমসুং স্নেটচতা কিলোগ্রাম ৮৬) থাঙ্গৎখিবা অদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংগদবা গ্রাম খর ৱাৎতুনা মেদল ফংহৌখিদবনি।

ইভেন্ট ৬তগী খ্বায়দগী ফজবা ইভেন্ট ৪দগী লৌখৎলগা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ক্বালিফাই ওইননবা হোৎনগদৌরিবনি।

১৬শুবা চান্দম ইনুংঙানবী মেমোরিএল মিনি বোইজ য়ু-১৩ ফুটবোল

# এন ৱাই সী নমদাইলোং ৱাক ওবর ফংখ্রে, এস বি এন ৱাই সী জিরিঘাট অমদি পি এস জি কালিনগর দ্রো চৎখ্রে



জিরিবাম, সেপ্টেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) না শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল (জে ঐচ এস এস) গী প্লেগ্রাউন্দদা চথরিবা ১৬শুবা চান্দম ইনুংঙানবী মেমোরিএল মিনি বোইজ য়ু -১৩ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এন ৱাই সী নমদাইলোং ৱাক ওবর ফংখ্রে। অদুগা এস বি এন ৱাই সী জিরিঘাট অমদি পি এস জি কালিনগর দ্রো চৎখ্রে।

টিম ১১না শরুক য়াদুনা চথরিবা ১৬শুবা চান্দম ইনুংঙানবী মেমোরিএল মিনি বোইজ য়ু -১৩ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা ওরিয়েন্টেল ক্লব বাবুপড়া অমসুং এন ৱাই সী নমদাইলোং শান্নগদবা মেচ অদু ওরিয়েন্টেল ক্লব বাবুপড়া লাক্তবদগী এন ৱাই সী নমদাইলোংনা ৱাক ওভর ফংখ্রে।

এস বি এন ৱাই সী জিরিঘাট অমসুং পি এস জি কালিনগর শান্নখিবা মেচ অদু এস বি এন ৱাই সী জিরিঘাটনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি। অদুগা পি এস জি কালিনগরনা বোল কাওবা হৌখি। মেচ অদুদা এস বি এন ৱাই সী জিরিঘাটকী শান্নরোয় বাইক গোলা জর্সি নম্বর ১০না পাঞ্জল অমা চন্দুনা টিমগী একাউন্ট হাংদোকখি। পি এস জি কালিনগরগী মায়কৈদগী বাইক গোলানা চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা অকনবা মওংদা হোৎনরকখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা পি এস জি কালিনগরগী মায়কৈদগী মখোয়গী শোথরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্তবা য়াদে মতাগুম ফজনা তকখৎলকখি। মদুগী মহয়না মেচকী ৩৯শুবা অমদি ৬৮শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় লাল্লিয়ানসাং জর্সি নম্বর ১৭না পাঞ্জল অনী চন্দুনা মেচ অদু ২-১দা অমুক মাঙজিল থাহনখি। ঙাইহাক লৈরগা এস বি এন ৱাই সী জিরিঘাটকী শান্নরোয় সোমোরজিৎ জর্সি নম্বর ১৪না মেচকী ৬৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেচ অদু ২-২দা চপ মান্ননা লৈখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা টিম অনীনা অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা ঙম্নদবদগী মেচ অদু পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখি।

ঙসিগী মেচ অদুদা কে ঐচ নিলকমলনা সেন্টর রেফ্রি অদুগা সাটচোং অমদি জোএল চোঙলোইনা এ আর ৱান, এ আর টু অমদি ঈ তোমচৌনা ফোর্থ রেফ্রি ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা মেচ ওইনা হয়েং পি এফ সী ফাইতোলগা সোনাপুর জি পি এস এগা শান্নরগনি।

# মেদল লৌরকখ্রবশিং ওকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): রিপব্লিক ওফ কোরিয়াগী চুংজু সিটিদা পাঙথোকখিবা ৫শুবা ইন্টরনেসনল থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ অমসুং ৱর্ল্ড মার্সেল আর্টস ফেষ্টিবেলদা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা থাঙ-তাগী শান্নরোয়শিং ওকপগী থৌরম অমা শগোলবন্দ সয়াং কুরাওমখোংদা লৈবা য়ুনাইটেদ ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

৫শুবা ইন্টরনেসনল থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ অমসুং ৱর্ল্ড মার্সেল আর্টস ফেষ্টিবেলদা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা থাঙ-তাগী শান্নরোয়শিং অদুদি লৈশেম্বা য়েংখোমচা, খেলজিৎ অমসুং ক্ষেত্রিময়ূম লান মঙাংনি।

লৈশেমচা য়েংখোমনা য়েংখোম ইবোমচা অমসুং য়েংখোম মনিতোনবী অনীগী মচানুপানি। এস খেলজিৎনা সাইকোম ব্রজকুমারগী মচানুপানি। অদুগা কে এস ঐচ লান মঙাংনা কে এস ঐচ মনি মৈতৈগী মচানুপানি।

ওকপগী থৌরম অদুদা ৱর্ল্ড থাঙ-তা ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট হুইদ্রোম প্রেমকুমার, শিন্তাক পুরেল মোইরাংথেম রাজেন, সলাম ইনাওবা, সলাম নোরেননা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

# টি আর ৱাস ভি সী উখ্রুল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসন মপান কাংজেবুংনা শীন্দুনা ওইনাম বোল্লিবোল গ্রাউন্দ, পব্লিক হোলদা পাঙথোক্লিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট সব জুনিয়র বোল্লিবোল বোইজ এন্দ গর্লস টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা টি আর ৱাই ভি সী উখ্রুল, এন ৱাই ভি এ এ নাওরেম, ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোং অমদি পি আর এস সী পৌরাবি মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা টি আর ৱাই ভি সী উখ্রুলনা এন ৱাই ভি এ বি নাওরেম্বু সেট ৩-১ (২৫-১৯, ২৫-১৯, ২৫-২২) দা, এন ৱাই ভি এ এ নাওরেমনা ৱাই পি এ হিরানমৈবু সেট ৩-২ (২৫-১৯, ২৫-২২, ২২-২৫, ১৯-২৫, ১৫-৮) দা, ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোংনা কে ৱাই এল এস সী কাচিখুলবু সেট ৩-১ (১৭-২৫, ২৫-১৯, ২৫-২৩, ২৫-২০) দা অদুগা পি আর এস সী পৌরাবিনা কে এস এ ইরেংবমবু সেট ৩-০ (২৫-১৫, ২৫-১৫, ২৫-১৮) দা মায়থীবা পীখি।

১৮শুবা সভেন মেন সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৯

# ইষ্টর্ন ব্রেস এফ সীনা লাইচীং মাইপৌ ওথোরিটিবু পাঞ্জল ২-১দা থোইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা মণিপুর সোক্কর য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন্না শীন্দুনা লাইচীং মাইপৌ প্লেগ্রাউন্দদা চথরিবা ১৮শুবা সভেন মেন সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ইষ্টর্ন ব্রেস এফ সীনা লাইচীং মাইপৌবু পাঞ্জল ২-১দা অদুগা য়ু এন এ পি এ এল ভেটেরাননা কামপু এফ সীবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরিবা ১৮শুবা সভেন মেন সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা ইষ্টর্ন ব্রেস এফ সী অমসুং লাইচীং মাইপৌ লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবগা টিম অনীনা মায় পাক্লবা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনরকখি। মেচ অদু হৌবদগী লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নখিবনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদবদগী পেনালটি কাওনখি।

টিম অনীগী শান্নরোয় ৫/৫না কাওনখিবা পেনালটি অদুদা ইষ্টর্ন ব্রেসকী মায়কৈদগী জেম মারিম অমসুং নৈপুরানা পাঞ্জল চনখি। অদুগা লাইচীং মাইপৌ ওথোরিটিগী মায়কৈদগী কোনাই জর্সি নম্বর ৮না পাঞ্জল চনখি। মেচ অদুদা ইষ্টর্ন ব্রেস এফ সীনা লাইচীং মাইপৌ ওথোরিটিবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা কামপু এফ সী অমসুং য়ু এন এ পি এ এল লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদসু টিম অনীনা মেচ লোইবা ফাওবদা হেনজিন্নবা য়াদনা শান্নখিবনা পেনালটি কাওনখি। টিম অনীগী শান্নরোয় ৫/৫না কাওনখিবা পেনালটি অদুদা য়ু এন এ পি এ এলগী মায়কৈ ষ্টেলিন, নিসাওলাল, চোমরেলনা চনখি। অদুগা কে এ এম য়ুগী মায়কৈদগী মেথিয়ু জর্সি নম্বর ১০না চনখি। মেচ অদুদা য়ু এন এ পি এ এলনা কে এ এম য়ুবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখি।

সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট

# য়ু ও সী উয়ালনা এফ এফ সী মেলা গ্রাউন্দবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালনা শীন্দুনা চাওয়াইমা হায়র সেকেন্দরি প্লেগ্রাউন্দদা পাঙথোকপা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা য়ু ও সী উয়ালনা এফ এফ সী মেলা গ্রাউন্দবু পাঞ্জল ৩-১দা অদুগা ৱাই দি এ তেন্থানা এ এফ সী অথোকপমবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা এফ এফ সী মেলা গ্রাউন্দ অমসুং য়ু ও সী উয়াল লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী হৌরকপা অহানবা হাফকী অয়াম্বা মতমদা য়ু ও সীনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি। মেচকী ১০শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৩ লমঙানবনা মহাক্কী টিমগী একাউন্ট হাংদুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। মিনট খরা কান্নরগা মেচকী ২৪শুবা মিনটতা টিমমেট দিনেস জর্সি নম্বর ৫না পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ২-০দা অমুক লৈহনখি। এফ এফ সীগী মায়কৈদগী মখোয়গী শোথরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা অকনবা মওংদা এটেকশিং চথরকখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপগী ৪১শুবা মিনটতা এফ এফ সীগী শান্নরোয় অমরজিৎ জর্সি ন্মবর ৪না পাঞ্জল অমা হন্দোক্তুনা ১-২দা লৈহনখি। পাঞ্জল অমা হন্দোকখিবগী খোয়শাওনরবা য়ু ও সীগী শান্নরোয় লমঙানবা মেচকী ৫৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ৩-১দা অমুক মাঙজিল থাহন্দুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। এফ এফ সীনা মখোয়গী শোথরিবা পাঞ্জলশিং অদু মেচ লোইবা ফাওবদা হন্দোকপা ঙমদবদগী মায়থীহৌখি।

ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা ৱাই দি এ তেন্থা অমসুং এ এফ সী (বি) অথোকপম লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ৱাই দি এ তেন্থানা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা এ এফ সী (বি) অথোকপমনা শোথরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা অকনবা শাফুগা লোয়ননা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অদুবু ৱাই দি এ তেন্থাগী দিফেন্স লাইন য়াম্না লীংনা লৈখিবনা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি।

এ দি সী চান্দেল ত্রোফি ২০১৯ সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ

# ঐচ ৱাই সী অমসুং এন দল্লিয়ু ৱাই সী দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন চান্দেলনা শীন্দুনা এম য়ু জি ঐচ এস এস গ্রাউন্দদা চথরিবা এ দি সী চান্দেল ত্রোফি ২০১৯ সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ঐচ ৱাই সী অমসুং এন দল্লিয়ু ৱাই সী দ্রো চৎখ্রে। অদুগা এল ৱাই সী সীনা টি এফ সীবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম তরুক্না শরুক য়াদুনা লীগ বেসিসতা পাঙথোক্লিবা এ দি সী চান্দেল ত্রোফি ২০১৯ সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা ঐচ ৱাই সী অমসুং এন দল্লিয়ু ৱাই সী লম্বা তৌনখি। শান্নবা হেক হৌবগা টিম অনীনা লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। মেচকী ৮শুবা মিনটতা এন দল্লিয়ু ৱাই সীগী শান্নরোয় নিওল জর্সি নম্বর ৯না পাঞ্জল চন্দুনা ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। মিনট খরা কান্নরগা মেচকী ৩৫শুবা মিনটতা ঐচ ৱাই সীগী শান্নরোয় মিচা জর্সি নম্বর ৯না ইক্বেলাইজ তৌদুনা ১-১দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা লৈনখি।

অনীশুবা হাফতা ঐচ ৱাই সীগী মায়কৈদগী শান্নরোয় আর দি কোলনি জর্সি নম্বর ১৬না মেচকী ৪১শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ২-১দা লৈহনখি। এন দল্লিয়ু ৱাই সীগী মায়কৈদগী শোথরিবা পাঞ্জল অদু ফুকৎনবা য়াম্না কন্না হোৎনরকপগী মিনট ৬৫চৎপদা নিওলনা ইক্বেলাইজ তৌদুনা ২-২দা অমুক লৈহনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা টিম অনীনা অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা লৈনদবদগী মেচ অদু ২-২দা দ্রো চৎখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা টি এফ সী অমসুং এল ৱাই সী সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদুদা টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নখিবনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী টিম অনীনা অহানবা হাফতা শান্নরম্বা অদুদগী হেন্না ফজনা শান্নরকখি। মেচ লোইরমদাই ৭৯শুবা মিনটতা এল ৱাই সী সীগী মায়কৈদগী শান্নরোয় রেঙহোন জর্সি নম্বর ৮না পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা টি এফ সীনা শোথরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী মায়থীহৌখি।

এ আই এফ এফ সব জুনিয়র নেসনল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# অরুনাচল প্রদেশনা ত্রিপুরাবু পাঞ্জল ৮-২দা থোইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা খুমন লম্পাক মেয়ন ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লিবা এ আই এফ এফ সব জুনিয়র নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর বোইজ ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা অরুনাচল প্রদেশনা ত্রিপুরাবু পাঞ্জল ৮-২ য়াম্না লাকচনা থোইখ্রে।

এ আই এফ এফ সব জুনিয়র নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর বোইজ ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা মেচতা অরুনাচল প্রদেশ অমসুং ত্রিপুরা লম্বা তৌনখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা অরুনাচল প্রদেশনা ত্রিপুরাবু পাঞ্জল ৮-২দা মায়থীবা পীখি।

মায় পাক্লবা অরুনাচল প্রদেশকী পাঞ্জলশিং অদু য়ুরা তরুঙ জর্সি নম্বর ২, জেকি পাপুঙ জর্সি নম্বর ৭, টোকু পানুং জর্সি নম্বর ৮, দাজী লেদা লেপচা জর্সি নম্বর ৯, মাম প্রেমা শেরপা জর্সি নম্বর ১০, দামলি বোমনয়ো জর্সি নম্বর ১১, কেলি পাজেন জর্সি নম্বর ১৩না চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা অসামগী পাঞ্জলশিং অদুনা অনিশ দেবরমা জর্সি নম্বর ৮না মেচকী ৮শুবা অমদি ১৪শুবা মিনটতা চনখি।

এ আই এফ এফ সব জুনিয়র নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর বোইজ ২০১৯-২০গী মখা চথরকপা মেচ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ৩ তাবদা মেঘালয়া অমসুং মিজোরাম শান্নরগনি হায়রি।

মোইরাংথেম ইবোবী মেমোরিএল ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০

# এন আই ভি এস ও অমসুং এন ঈ এস য়ু মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ২১দগী হৌদুনা নেসু গ্রাউন্দ খুরাইদা চথরক্লিবা মোইরাংথেম ইবোবী মেমোরিএল ইম্ফাল ইষ্ট ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এন আই ভি এস ও অমসুং এন ঈ এস য়ু মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরিবা মোইরাংথেম ইবোবী মেমোরিএল ইম্ফাল ইষ্ট ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা এন আই ভি এস ও অমসুং অংথা এফ সী লম্বা তৌনখি।

শান্নবা হেক হৌবগা টিম অনীনা পাঞ্জল চন্ননবা অকনবা মওংদা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। অদুবু এন আই ভি এস ওনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নরকখি। মেচকী ৩১শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় প্রটাপ জর্সি নম্বর ২০না পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। মিনট খরা কান্নরগা টিমমেট এম দি সদাম জর্সি নম্বর ১৯না পাঞ্জল অমগা চন্দুনা মেচ অদু ২-০দা অমুক মাঙজিল থাহনখি। পাঞ্জল অনী শোথরিবা অংথা এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্লবা হোৎনরবসু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকখি। মেচকী ৪৩শুবা মিনটতা এন আই ভি এস ওগী মায়কৈদগী শান্নরোয় এ কে দিঙ্কু জর্সি নম্বর ১০না টিমগী অহুমশুবা পাঞ্জল চন্দুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা অংথা এফ সীগী মায়কৈদগী শোথরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী এন আই ভি এস ওগী মখূৎতা পাঞ্জল ০-৩দা মায়থীহৌখি।

ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা এন ঈ এস য়ু অমসুং সী এস সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদু এন ঈ এস য়ুনা সী এস সীবু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ৮-১দা মায়থীবা পীখি। মায় পাক্লবা এন ঈ এস য়ুগী পাঞ্জলশিং অদু এস তোপর জর্সি নম্বর ১০, এম সোমোকান্ত জর্সি নম্বর ৯, এম ষ্টেলোন জর্সি নম্বর ১২, পি ঐচ লেনিন জর্সি নম্বর ১৫ অমদি আই দিক্সন জর্সি নম্বর ৭না চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা সী এস সীগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা মঙসাট জর্সি নম্বর ১৯না চনখিবনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com